হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, মার্চ ০২, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৩৩৪শুবা মশীং

# মীতম্বাল মীরেপ
## মায়খুম উপ্পশিং খোংলগা খঙলেদনা

মণিপুরগী ১২শুবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অহানবা ফেজগী মীখল ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২২দা পাঙথোকখ্রে। অপূনবা সিট ৬০গী মনুংদা চীং অমসুং তমগী পুল্লগা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩৮দা ভোট থাদনখ্রে। ফর্স্ট ফেজ সিদা মীখল থেংনখিবা অপূনবা কেন্দিদেট ১৭৩গী মরাইবক ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিংদা চাজুম নমদুনা থমখ্রে। মার্চ ১০, ২০২২গী অয়ূক পুং ৮দগী হৌগদবা কাউন্টিংগী রিজল্ট লাক্লবা মতুংদদি এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩৮সিগী মীহুৎশিং মশক খঙলগনি। মার্চ ৫, ২০২২দা পাঙথোক্কদবা অনীশুবা তাঙ্কক্কী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ২২গীসু মার্চ ১০, ২০২২দগী হৌগদৌরিবা ভোট মশীং থিবগী থবকসি লোইশিল্লবা মতুংদা চপ চানা খঙগদৌরিবনি। মসিনা তাঙ্কক অনী থোক্লো পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুরগী জেনরেল ইলেক্সন অমসুং মীখলসিগী কাউন্টিংগী ৱানি। ইলেক্সন অসিগী কান্থোকপা য়াদবা থবক-থৌরম (প্রোসেস) শিংগী ওইবা ৱাফমনি। অদুবু ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২২দা পাঙথোকখ্রিবা অহানবা ফেজগী মীখলদুদা ভোটরশিংনা ভোট থাদনখিবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩৮গী মনুংদা লম্বা তৌনখিবা অপূনবা মীরেপ ১৭৩গী মনুংদা চীং অমসুং তমগী কন্সটিট্যুএন্সি খরদগী মীথিবোং মীতম্বাল ওন্থোকচখিবা কেন্দিদেট খরা য়াওখিব্রা হায়বগী ৱাহংদি মীখল পাঙথোকখিবা নুমিৎতুদা ময়েক শেংনা চোংথোরকখি। ৱাহংসিবু ওইদবা, অরানবা অমসুং য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফমদা নম্ফুদা চোংথোরকখিব্রা নৎত্রগা অশেংবা ওইনা থোকখিবদগী থোরক্তবা য়ারক্তদুনা থোরকপা ৱাহং ওইগদ্রা? অদুবু ৱাহংসি ভোটর মীয়ামগী মরক্তগী য়াম্না ময়েক শেংনা চোংথোরকপনা করিগুম্বা খরদি শোয়দনা লৈরগনি। মরমদি নুংশিৎ শিৎতনা উনা লেংবা য়ারোই হায়নবা লৈ।

অদুবু ভোট থাদনগদবা পুং খরখক ৱাৎলিঙৈদা মীথিবোং মীতম্বাল মীরেপ ওইরক্লিবা করিগীনো? মীয়ামগী মীহুৎ ওইহনবীয়ু, মীয়ামগী থৌগল তৌজগে হায়দুনা মীখল থেংননবা থৌরাং পূম্নমক লোইশিল্লগা ভোট থাদনগদবা পুংজা খরখক্তমক ঙাইশিল্লক্লবা তাঞ্জাদা হুৎ লৈথোকখিবগী থৌদৌসিবু তৌফম থোকপ্রা? মীরেপ ওইবা য়াবগী টিকেট লৌরুরিবা পার্টিদুগী ৱাফমখক নত্তনা ভোটর মীয়ামসিবু করি ওইনা উবগে? মীরেপ ওইগনি হায়দুনা চোঙথোরক্লগা মীয়াম্বু পুনিংবা মায়কৈদা হুমদুনা পুবা য়াগনি খনবদগীরা? মীরেপ ওইগনি হায়দুনা চোংথোক্লগা পুংজাও থিল্লুবদু চংখিবা শেলশিং হঞ্জিনবা অমসুং শেন্দোং খরগা ফংহৌরগা কমপ্রোমাইজ তৌরক্লবদি মীয়ামগী খনবা শাবা, পাউখোল্লোই ওইহঞ্জনীংবা পোলিটিসিয়নগী মায়খুম উপ্পা হুরানবা, ক্বাক্তা ৱাহোংগী মতু থেৎচিনবা মনানা হৈমাং শানবা হোৎনরম্বনি হায়রক্লোই খনব্রা? মীয়ামগী মীরেপ ওইবগী খোঙফমদা চেৎনা লেপ্পা ঙম্লোইদৌবা ওইরবদি কৈদৌবগী থোরকইনো? চফু-উয়ান মিরাং থুদনবা অঙম্বা পাঙ্গল লৌশিং পুথোক্তুনা শু-নোমদুনা লৈবা য়াদব্রা? মদু নৎত্রবা ফাওবদা ভোট থাদনরমদাইদা হিরাক হিঞ্জিনদা ভোটরশিংদা নমথাক তৌরম্বগী মহুত্তা মীখল থেংননবা মীরেপচে পীশিল্লবসু স্ক্রুটিনি তৌরবা মতুংদা মীরেপ চে লৌথোকপা, ৱিথদ্রো তৌবা য়াবগী মতম মীখলগী মরী লৈনরিবা রিটর্নিং ওফিসরশিংনা পীখি। ৱিথদ্রোৱেলগীদমক পীখ্রিবা মতমদুগী মনুংদা য়াম্না লেম্না নোমিনেসন পেপর লৌথোকহৌবা য়াই। মদুনা ভোটরশিংনসু ৱারৌরোই, নীংদোলসু পোম্লোই। মদুদি নত্তদনা অঙম্বা পাম্বৈ পুথোক্লদুনা মীখলগী লান থেংনগদবা, লম্বানগদৌরিবা অতোপ্পা মীরেপকী মখোঙদা তুশিনখ্রিবদুবু শামুনা তাল্লবদি য়ারক্তা চঙদুনা লোৎলু হায়নবা লৈ হায়বদুগী মওংলা? থৌদৌসিদদি ফজখ্রবা মীতৈগী অরিবা পাউতাকসি শীজিন্নবা চুশিন্নদে, চানবা ৱাৎলি। মশাখক্তগী ওইজ-ওইথক খরগীদমক ভোটরশিংবু অপঙবা শিরম্বনি, খূৎলায় ওইনা শীজিন্নরম্বনি। লিলনা মখুল চঙলমদাইদা চুম্বগুম ভোট থাদবা হৌরমদাইদা মশাগী পোকপদগী লোয়নরকপা অখোইবা মরীল উৎথোকচরকপনি। অদুগা মশানা ওইজ-ওইথক, অরেম-অপাদু ফংলগা উচি মখুলদা চঙখিবনি। হায়রিবা থৌদৌসি কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদসু এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খরদা থোকখি। হন্দকসু অমুক থোকচিল্লকপনি। অদুবু মতাংসিদা নখোয়দা হায়নীংবদি উপ্লিবা মায়খুমদু অমুক হন্না উপ্পগদি থোরক্লগনু। মায়বা নহা নখোয় ময়ামগী খূৎতা লমদমসে মোংফম্না থল্লনি হায়বসি কাউগনু।


### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৭

১) অহানবা ওইনা কুমজা ১৯৬০দা ফোঙবা ***"অমাইবা"*** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

২) **"অমেরিকাগী ঈশৈ"** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **"মণিপুরদা ঐগী চহী অহুম"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেলদা কনানা ইবা লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

৪) ***"ৱারী শীংবূল্লক্তগী"*** হায়বা অঙাংগী ওইবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

৫) ***"লৈকংলা"*** হায়বসিগী অইবসি কনানো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬কী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,৪,৫)

***২) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল - (১,৩,৪,৫)***

৩) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,৪,৫)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৩৬কী ৱিন্নর*

*থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল*

**লিটরেরি ক্যুইজ ৩৬গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**


# ভোপালগী সাইন্টিষ্টশিংনা হূ চেনবা পোৎশিংবু ঈশিংদগী লৌথোকপা ঙম্বা ওর্গানিক পোলিমরশিং পুথোরকপা

সাইন্সকী খোঙচৎ
কুঞ্জো নাওরেম




অভিজিট পত্রা অর্কাপ্রভা গিরি সুভা বিশ্বাস

এনন্থ্রোপোজেনিক ওইবা হায়বদি মীওইবনা শীজিন্ননবা পোৎলমশিং শেম-শাবা অমসুং শীজিন্নবা মতমদা ঈশিংদা য়াওরকপা 'পোলর ওর্গানিক মাইক্রোপোলুটেন্ট' শিংগী মনুংদা মীওইবগী অনা-লায়েংদা শীজিন্নরিবা হীদাকশিং, খুদম ওইনা এন্টিবাইওটিকশিং, ষ্টেরোইদশিং; ইন্দষ্ট্রিদগী থাদোরকপা কেমিকেলশিং, খুদম ওইনা মচু শংননবা পোৎ, ফুদ এদিটিভশিং, এন্দোক্রাইন সিষ্টমদা অয়েৎপা পীরিবা কেমিকেলশিং অমসুং প্লাষ্টিক শুংনবা পোৎলমশিং অমসুং তীল হীদাক, নাপি হীদাক অমসুং কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং পনবা য়াই। অসিগুম্বা ওর্গানিক মাইক্রোপোলুটেন্টশিং অসিনা থক-চাবদা শীজিন্নরিবা ঈশিংদা য়াওরকপা হায়বসি মীওইবগী হকশেলদা শীংনরকপা অমনি।

ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এদ্যুকেসন এন্দ রিসর্স (আই আই এস ঈ আর) ভোপালগী থিজিন-লূপ অমনা পোলর ওর্গানিক মাইক্রোপোলুটেন্টশিংবু ঈশিংদগী লৌথোকপা ঙম্বা ওর্গানিক পোলিমরশিং পুথোরকপগী মতাংদা পিয়র-রিভ্যুদ জর্নেল 'অমেরিকান কেমিকেল সোসাইটি, এপ্লাইদ মেটরিএলস এন্দ ইন্টরফেসেস' দা ফোঙদোরক্লি। আই আই এস ঈ আর ভোপালগী দিপার্টমেন্ট ওফ কেমিষ্ট্রিগী এসোসিএট প্রোফেসর ডাক্টর অভিজিট পত্রানা লুচিংখিবা লূপ অসিনা লেবোরেটরিগী থাক্তা পোলর ওর্গানিক মাইক্রোপোলুটেন্টশিংবু লৌথোক্লবগীদমক অসিগুম্বা পোলিমরশিংসিবু মফোন ওইনা শীজিন্নরগা চাং য়েংখি। মখোয়না পুথোরক্লিবা মেটরিএলশিংসি ইন্দষ্ট্রিএল পার্টনরশিংগা পুল্লগা লার্জ-স্কেলদা পুথোক্তুনা থক্ল-চানরিবা ঈশিংদগী লৌথোকপদা য়াম্না কান্নবা ঙমগনি হায়না থাজবা থল্লি। হায়পরক্রোসলিঙ্ক পোরস ওর্গানিক পোলিমর্স (HPOPs) হায়না খঙনরিবা পোলিমরশিংসিগী মফোন চমচ অমনা য়াম্লবা ঈশিংবু শেংদোকপা ঙমগনি হায়রি। অভিজিট পত্রানা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না HPOPs গ্রাম অমগী ইন্টর্নেল সর্ফেস এরিয়াসি স্কৱার মিটর ১০০০-২৪০০ ফাওবা ওই। মখোয়সিগী নানোমিটর দোমেইন্দা য়াম্না পিকপা মখুল (পোর) য়াম্না য়াওই। মখোয়সি অপাকপা লম্পাক অমদা চাইথোকপদা টেনিস কোর্ট তরাবু কুপশিনবা ঙম্মী হায়না মহাক্লা মখা তানা হায়রি।

থিজিন লূপ অসিনা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদগী ফংলকখিবা দেটাগী মতুংইন্না HPOPs শিংগী চমচ অমনা ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিংদা য়াওরিবা চাংগা মান্নবা কন্সেন্ট্রেসনগী ঈশিং লিটর ২দগী মাইক্রোপোলুটেন্টশিংবু সেকেন্দ ৩০গী মনুংদা লৌথোকপা ঙমখি। অসিগুম্বা HPOPs শিংসি রিসাইকল তৌবা য়াই - সাইকল তরারক রিসাইকল তৌরবা মতুংদসু মাইক্রোপোলুটেন্টশিংবু লৌথোকপগী শক্তিদা হন্থরকপা তৌদে হায়না ডাক্টর পত্রানা ফোঙদোক্লি।

মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদা ঈশিংগী ক্রাইসিস অসি লৈ হায়বা য়াই। মার্চতগী মে ফাওবগী মনুংদা নোংসি ইচু চুদ্রবদি মণিপুরগী তুরেলশিংদা ঈশিং কংশিল্লকপগী পাউসি ঐখোয়না হেক হেক তাই। অসুম্না ইন্দিয়াগী ওইনসু ঈশিংগী ক্রাইসিস অসি হৌখিবা চহী কুনলোমসিদা হেন্না ফৎচিল্লক্রে। থক-চাবদা শীজিন্নগদবা ঈশিংগী অৱাৎপসি লৈ অদুগা লৈনুংগী ঈশিংবু থক-চাবদা শীজিন্নরুবদা অর্সেনিককুম্বা হেভি মেটলশিং য়াওরম্বদগী ৱেষ্ট বেঙ্গলগী মীশিংদা লায়না পোক্লকপগী পাউদমশিং লৈখ্রে। মণিপুরগী ওইনসু হেন্দ-পম্পশিংগী ঈশিংদা অর্সেনিক য়াওবগী মতাংদা টেষ্টশিং তৌখিবসু লৈখি। অদুনা থক-চাবদা শীজিন্নবা য়ারবা ঈশিংদগী হূ ওইবা পোৎশিং লৌথোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরু ওইরক্লি।




নানোশীটশিং শেমগৎপা, অমসুং মাইক্রোপোলুটেন্টশিং লৌথোকপগী মওং তাকপা

মাইক্রোপোলুটেন্টশিংবু ঈশিংদগী লৌথোক্লবগীদমক আই আই এস ঈ আর ভোপালগী থিজিন লূপ অসিনা এদজোর্বেন্ট মেটরিএলশিং দিজাইন তৌনবগীদমক সাইন্টিফিক লিটরেচরদা অকনবা মীৎয়েং থমদুনা থিজিনবগী থবকসি কুমজা ২০১৯দগী পায়খৎপা হৌরকখি। মাইক্রোপোলুটেন্টশিং লৌথোকপগী থবক অসিদা অপনবা পীরক্লিবা খুদোংচাদবশিংবু কোকহন্নবগীদমক লূপ অসিনা অচম্বা খূৎশেমগী প্রোটোকোল অমা শীজিন্নরগা HPOPs শিংসি শেমগৎলকখিবনি।

ইন্দিয়াদা দোমেষ্টিক, এগ্রিকলচরেল অমসুং ইন্দষ্ট্রিএল সেক্টরশিংদগী থাদোরক্লিবা অরেম-অখাকশিংনা ঈশিংবু মোৎহনবা হায়বসি অচৌবা অয়েৎ-অপন অমা ওইরি। অসিগুম্বা অরেম-অখাকশিংসিদা ওর্গানিক অমসুং ইনওর্গানিক মাইক্রোপোলুটেন্ট কয়ামুক য়াওরি। মখোয়সিগী য়াম্না য়ামদবা চাংদা য়াওবনফাওবা থক-চাবদা হকচাং শোক্লিংঙাই ওই। মসিদসু নত্তনা ঈশিংদা লৈরিবা জীবশিংনা হিংবদা অয়েৎপা পী। 'Sorption; হায়না খঙনবা থৌওং অমনা ঈশিংদগী মাইক্রোপোলুটেন্টশিং লৌথোক্তুনা শেংদোকপগী খ্বাইদগী হেন্না এনর্জি চঙদবা টেক্নিক অমা ওই। অদুবু তোয়না শীজিন্নরিবা কার্বনাসিয়স এদজোর্বেন্টশিংগী খুদোংচাদবা খরা লৈরি, খুদম ওইনা অপ্তেক রেট তপ্পা অমসুং রিজেনেরেসনগী থৌওংদা মতম কুইনা চঙবসি পনবা য়াই। মরম অসিনা পোলর য়াম্না ওইবা ওর্গানিক মাইক্রোপোলুটেন্টশিংবু ঈশিংদগী থুনা লৌথোকপা ঙম্বখক্তা নত্তনা অচম্বা ফিব্রিকেসন টেক্নিকশিংনা লার্জ-স্কেলদা লায়না শুংবসু য়াবা, মতিক চারবা এদজোর্বেন্ট মেটরিএলশিং দরকার ওই হায়না ডাক্টর পত্রানা ফোঙদোক্লি।

HPOPs শিংগী ময়েক শেংলবা মোর্ফোলোজি অনীখক লৈ - দাইমেন্সন অনীগী নানোশীটশিং অমসুং স্ফেরিকেল ওইবা নানোপার্টিকলশিং। মোর্ফোলোজি অনীমকসি মফোন ওইবা মওংদা ফংই। অদুম ওইনমক 2D নানোশীটকী HPOPs শিংনা ঈশিংবু হেন্না ফজনা শেংদোকপা ঙম্মী। অদুনা থিজিন লূপ অসিনা লার্জ-স্কেলদা শীজিন্ননবগীদমক 2D নানোশীটকী HPOPs শিংদা মীৎয়েং থমখি। অসিগুম্বা HPOPs শিংগী শিংথানিংঙাই ওইনা পাক্লবা সর্ফেস এরিয়া (2,400 $m^2/g$) লৈ। সোলভেন্ট অমগা ক্রোস-লিঙ্ক তৌনহল্লবা HPOP দা য়াম্না খুবা মখুল কয়ামুক য়াওই। মখল অমগী খুবগী চাংসি শম্না অমগী ক্রোস-সেক্সন্দগী শরুক লাখ অমা হেন্না খুই। HPOP অসিনা ঈশিংদগী মাইক্রোপোলুটেন্টশিং চুপশিন্নবগীদমক স্পোঞ্জ অমগুম্না মথৌ তৌই।

2D নানোশীটকী HPOP না এন্টিবাইওটিকশিং, এন্দোক্রাইন্দা অয়েৎপা পীরিবশিং, স্তেরোইদতা য়ূম্ফম ওইবা হীদাকশিং, তীল হীদাক অমসুং নাপি হীদাকশিং য়াওনা ব্রোদ-স্পেক্ট্রম ওর্গানিক মাইক্রোপোলুটেন্টশিংগী ৮৫%-৯৯%বু ঈশিংদগী সেকেন্দ ৩০গী মনুংদা লৌথোকপা ঙম্মী হায়না পাউদম অসিনা মখা তানা হায়রি। অসিগুম্বা HPOPs শিংগী মরু ওইবা খুদোংচাবদি : অচম্বা ওর্গানিক বিল্ডিং ব্লোকশিং শীজিন্নবা অমসুং মমল হোৎবা কেটলিষ্ট (এলুমিনিয়ম ক্লোরাইদ গ্রাম অমদা লুপা ১গী চাংদা ফংবা) অমা শীজিন্নরগা মখোয়বু সোলভেন্ট মোলিক্যুলশিং (দাইক্লোরোমিথেন) না ক্রোস-লিঙ্ক তৌনহনবা য়াবসিনি।

হৌজিক্কী ওইনদি অসুম্না শেমগৎলক্লিবা মেটরিএল অসি লেবোরেটরি-স্কেল ষ্টদিদা চাং য়েংবনি। মীয়াম্না পাক্তক্লনা শীজিন্নবা য়ানবগীদমক আই আই টি মদ্রাজগী থিজিন-লূপশিংগা খূৎশম্নবা হৌখ্রে। অসিগুম্বা চাংয়েংশিংসিনা মপূং ফারকপা মতমদা ৱাটর ত্রিটমেন্ট অমসুং ৱাটর টেক্নোলোজি-বেজদ কম্পেনিশিংদা য়াম্না কান্নবা পীবা ঙল্লগনি হায়রি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## পোল ভাইওলেন্স

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

মণিপুরগী মীয়াম্না ঙাইনরকপা ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সনগী অহানবা ফেজ পাঙথোকখ্রে। মমাঙ থাগী ২৮দা পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমা কৈথেলমানবীদা থোকখি। হায়রিবা ইলেক্সন অসিদা থোকখিবা থৌদোক অদুদি পোল ভাইওলেন্স অদুনি। দেমোক্রেসিনিদি হায়রগা অসিগুম্বা থৌদোক থোকপা অসি য়াম্না লেমজদবা থৌওংনি খল্লি। মসি করি অশোয়বা লৈবদগী থোরক্লিবনো হায়বা খঙজনীংই। য়াম্না চৎন-কাঙলোন চুম্না ভোট থাদগদবদা অসুম্না তৌবা অসিদি মীচম মীয়ামদা য়াম্না থম্মোয় শোকপা অমদি নুংঙাইতবা ফাওই। লোয়ননা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংসু লৈরিবা মফম অমদা অসুম্না পোল ভাইওলেন্স থোকপা অসিসু অঙকপা অমনি।

ভোট থাদবা হায়বসিদি মশা মশাগী অপাম্বা কেন্দিদেট খঞ্জদুনা থাদগদবনি অদুবু গন পোইন্টতা ভোট থাদহনবা হায়বসিদি দেমোক্রেসিগী ফজরবা ৱাহন্থোক লৈহন্দবনি। মসি খুদিংমকসি থোক্তনবা ৱার্করশিং অমদি এজেন্টশিং ৱাখল তাহনবা তঙাইফদে।

ঈরাং হায়বসিদি অমনা হেক হৌরকপদা অচৌবা ঈরাং অমা হেক্তা ওইখি। অদুনা মীচম মীয়াম্না ঈরাং শাগৎপীগনু। মৈরিকপীদগী মৈজাও ওল্লকই হায়বদু মীখলদদি থোকহন্নীংদে। য়াম্না ফজবা লৈবাক মচা তাবা, অমগা অমগা ৱাখল তান্নবা ভোট অমা ওইহনবা হায়বসি মীচম মীয়াম ঐখোয়গী খূৎত্তা লৈ হায়বসিসু কাউহঞ্জনীংদে।

মরম অসিনা ঐখোয় পূম্নমক ৱাখল তারসি অমদি পাঙথোকখ্রবা অহানবা ফেজগী মীখলদা পোল ভাইওলেন্স থোকখ্রবসু মখা তানা থা অসিগী ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা আউটরগী ইলেক্সন অসিদদি কৈথেলমানবীদা থোকখিবা অসিগুম্না থোকহল্লোইসি।

পোল ভাইওলেন্স ফত্তে, তৌবা য়াদে হায়বা ৱাখল পূন্না খনমিন্নরসি অমদি কেন্দিদেটশিংনা, ৱার্করশিংনা, এজেন্টশিংনা অমদি মীচম মীয়াম্না অসুম্না তৌবা য়াদে হায়বা পাউজেল চৎপীয়ু। থোকখিবনা থোকখ্রবসু মতুং তারকপদদি থোক্তনবা ঐখোয় পূন্না তাইবঙ শেম্বা মপুদা থৌনিমিন্নরসি হায়জনীংই।

*অদোমগী : নিংথৌজম রোনাল্ডো*


### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩৬কী পাউখুম

১) ***"পত্তুম্মাগী হামেঙ"*** হায়বা মণিপুরীদা হন্দোক্লবা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অদুগী অইবা কনানো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?
***:- ওরিজিনেল অইবা - বৈকোম মুহম্মদ বশীর; মণিপুরীদা হন্দোকপা - বি এস রাজকুমার (অহানবা ফোঙবা, ২০০৭)***

২) **"মফম খঙদনা/মাঙখ্রবা/ঐগী ইমি,/হায়য়ু/কনানা করম্না মূখৎখিবনো নঙবু/ঐগী লৈমায়দগী।"** শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অসি কনানো, মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো? ***:- কবি - রা:কু: ভুবনস্না; য়াওরিবা লাইরিক - শজিবুগী মৈরী; লৌথোরক্লিবা শৈরেং - মাঙখ্রবা ইমি (লা:৩)। অহানবা ফোঙবা দিসেম্বর ২০১০।***

৩) মপান মণিপুরগী অইবা অমনা ইবা লমকোয় ৱারীগী লাইরিকনি **"মালেমদা তোমথীল ঙাল্লিবী বাহরেন"** হায়বসি। অইবসি কনানো? ***:- অইবা - য়েংখোম কে বি; অহানবা ফোঙবা কুমজা ২০১০, নবেম্বর ২৮ (নোংমাইজিং)।***

৪) ১৯৬৭ ইংদা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিকনি **"নোংদম"** হায়বসি। লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো? ***:- অইবা - শ্রী অরিবম মহেন্দ্র শর্ম্মা; লাইরিক্কী মখল - দ্রামানি। (অহানবদা 'বিজয় প্রভা' অদুগা মতুংদা 'নোংদম' হায়না মিংথোন্দুনা লাল মমাঙ অমসুং মতুংদা মায় পাক্লা শান্নখিবা দ্রামানি।***

৫) ***"মশাবী লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মশানৌদা পাওমেলঙামএ। ইশানৌ য়োইহৈতোন তাওথিংমাংও, নহান নোং ইপল পলেম ইমা নোংমোইনু অহোংবীনা তুশারমপপু লৈএ। শানৌ ইচিল ইনাওতি মোংবা অমরক তুতেংহৌসে।"*** ৱাহৈ পরেং খরসি কদায়দগী লৌথোরকপনো?
***:- লৌথোরকফম লাইরিক - তুতেংলোন (তুদেংলোন); (শ্রী নোংমাইথেম মনাওয়াইমা সিংহ; অহানবা ফোঙবা, মার্চ ২৪, ১৯৮০ ইং)।***